# খম্বা থোইবী শৈরেংদা *ফী ৱাইবা* : অকাউ পরৈ চনখ্রবা ৱারীগী লাতম পিরাং পিরোইননা হাংদোরকপা - ১

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লাইনিংথৌ থাংজিংগী থৌজান্না খম্বদো লৈ লাংবগীদমক্তি কল্লক মাঙদা চাং তাররোই, লৈবাক নিংথৌ, অঙম অথৌ, মীয়াম্না নিংথিজৈদা-ফজৈদা শোন্নরদবা লৈরাং লৈখল কয়া হেক্লকখ্রবদুনি। মজাইবেম্মনা মাগীমক ফৈগাক ফৈনা লেপ্পীদুনা লৈ পরেং লেংবা লাইরশঙদা খোঙলেক্লল্লবদা তোম্থদুনা লৈরমগদ্রা, লায়রবী মচেম খম্নুসু অদুমঙায়। শেৎকদবা ফিজোলগী মরমদা ইখনবু খল্লুদ্রবনি। মায় পাকপগী লম্বীদি তিঙ্খং তুম্বৌতনা থল্লি। তাইবঙ মপুনসু চাংয়েং মখল মখল চৎথবী হায়নৈ, মতিক ময়াই হেনগৎনবা ওইরম্বসু য়াই। খম্বগী লম্বীসু শীৎ নানবা ওইরোইদৌরি। নোংবান্নগা মীফত্তা ওইবনে, খম্ববু মাঙ-তাকহন্নীংবসিদি শীংথাবৈ লোইবা নাইররোই। খম্বনা পুরকপা চয়োমগী লংলা লংজিন পুথোক্তুনা খম্ববু চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবদা নিংঙোল্লাকপদা তক্লবা য়াবা তক্লরগা কান্নবা ফংদদুনা হনখ্রবনি। অহনবা লৈতবা থৌনানি, সন্ধ্যা মতুং ওইরবনি, ময়ূমদা ইরেঞ্জনা হল্লগা মাগী তালোয়শিংনা লাঙলম্বা মথেল লুক্কোয়দু হারগা নুংঙাইনা পোত্থারুগে হায়দে, চেংগৈ পাংনা চৎখিদুনা খম্বগী কোম্থোংদা মোংলুরে। অওকপা নত্তে, মখোন ওন্দুনা ওইদবা পাউবু অওইবা শাদুনা পাউজেল্লি। থাংজিং হরাওবদি চাকতান ফিদান্নবা ওইবনা লাইগী থৌগল তৌবা লাকপশিংনা ফজবা অহেনবা ফি-রোল, সনা-লিক্কোন শেৎলক্তবা য়ারোই, লৈতবশিংনসু অতোপ্পদগী ৱায়রুবা য়ারোই, অরৈবশিংনসু পীবা য়ারোই, মপুগী য়াথংবু ইন্দবশিংদি অহকপা চৈরাক ফংগনি হায়না মচিন মৌপ্বা তাননবা লাউশিল্লি। মদু তাবদা মিপাই চাউরবী মচেম্না লায়র মচা ওইরুবনা মৌপ্বাগী লৈ লাংবা তোক্লদ্রা হায়না নিংশা থীবা পোকচৈ। লাইনা তম্বা লাক্কনি হায়বা ৱাখলগা লোয়নননা মচেম্বু পূক্লিং শোম্থদনবা থেমজিনজৈ, খম্বদো অৱাবসু উত্তে। মাবু অৱাবা পীননবা নোংবানগী খুজিন থৌরাং ওইরম্বা য়াই খনবা মাল্লি হায়বসি নাকোয়ননা ফোঙদোকই। খম্বনা পাউজেলন্দু থাজদবগী মরমসু লৈ। মুক্না কাংজৈ থোইবগী মতাংদা মপু মোইরাং নিংথৌ, মনাও ইবুংঙো চিংখুবা, চাউবা নোংথোনবা, মবাই ফৈরোইজাম্বা পূম্নমক্কী থৌজাল ফংজখ্রবনি। মখোয়মক খঙনা তৌবা মান্দে, পাউজেলদু অচুম্বা ফনমক ওইদুনসু মকু চাউবা অমসুং মবাই ফৈরোইজাম্বনা মচিন-মৌপ্বাগীদমক য়েংবীদুনা ৱাফমদুদা অয়েৎপা পীগনি হায়না চেৎনা থাজখি। অদুবু অওই তানা লাউরবা ওইবনা খম্বসু নীংজিং মাংজিংনৈ, খনফম খঙদে, ফুম্বংনৈ।

মৌপ্বাগী মতৌ উবদা খম্নু লৌশিং লাকই। মপাইবুংঙোনা হিংলিঙৈদা মরুপ ওইরম্বা মপামক্লি খঞ্জরিবা মোইরাং অঙম্বা থাংগরাকপদগী চরৈ ফী ৱাইরুসি হায়না মৌপ্বাবু থেল্লকই। হায়রু হংলুবদা পীগন্দবা মীচৈ থীবা থাংগরাকপনি হায়বা মীনা ঙাঙনবা তাবদগী খম্বনা মচেমগী ৱাফমদু য়ানীংদবা ফোঙদোকই। অদুবু মচেম্না কন্না তকশিনবদগী অতোপ্পা মীনা উখি খঙখিদনবা অথেংবা অহিংগী মতমদা চৎসি হায়রগা তূমখ্রে। মচেমদি তূমশিনবা য়াদে। অহিং নোংয়াই চবুক্তা মৌপ্বাবু হৌদোক্লগা থাংগরাকপগী ময়ূম মোংবা মরানয়াইদা লাক্লে। মাঙ্গোন য়ৌরবদা নুপানা কৌরুরবদি চিংনখিনি হায়দুনা খম্নুনা পলেম পম্থৌ হায়না কৌজবদা তারদুনা কনানো হায়না থাংগরাকপনা হংবীরকই। লায়রবী লমজানি হায়না পাউখুল্লবদা খম্নুনি হায়বা খঙবদগী থোঙ হাংদোকপীরকই। খম্নু চঙলকপগা থাংগরাকপীনা মাবু কোনশিল্লগা ইমুংদা পুশিনবীরকই। অদুক কুইবা মতমদু মানা চেঙনি-ফীনি চৎপদা নোংমতসু চঙলক্ত্রগা অহিং নোংয়াইদা লাকপদি মঙদা উবদগী নীংশিংদুনা তৌবরা হায়না মমিত্তা মপি শিন্থনা মমা ওইবীগী মীনুংশি উত্তুনা কপচৈ। মাঙ্গোন্দা লেপহৌবা খম্ববু মচেম্না কৌশিনবদা খম্বা য়াওরকই খঙলদুনা থাংগরাকপীনা মাবুসু মমানা মচাবু মখূৎ শমদুনা পুবিবগুম্না মখূৎ পায়দুনা পুশিনবীরকই। মীনুংশি চাউবী থাংগরাকপীগী নুংশি-চানবীবা মতৌদুদা তাথী-তাওইনা তৌবীরক্কদ্রা হায়না খম্বনা চিংনরম্বা পূম্বা মাঙখ্রে। মতম অদুদা থাংগরাকপনা মাগী তালোয়না কপ্পগী মরম অমদি লাক্লিবা অনীবুসু হংলম্মী। মচিন-মৌপ্বানি তাক্লবদা থাংগরাকপনা মচিন-মৌপ্বানা মাগী য়ূমদা লাকপগী অপেনবা ফোঙদোক্তুনা ফমজাউদগী কুমথরক্লম্মী। ফম্মাঙদা ফম্লগা হীদাকফু তোংজৈদা খুদোং ফান্দুনা মখোয়না লাকপগী মরম হংবীরকই। অহানবদা লাকপগী মরমদু মচিন-মৌপ্বা অনীমক্লা পাক হেক হায়বা ঙল্লমদে। অদুবু চিংনবা লৈতনা পম্থৌ থাংগরাকপদা হঙ্গৎচরো হায়না থাংগরাকপীনা তাকপীরকই। মমাগী য়াথং ফংলবদা মৌপ্বাবু লৈরোয় মকোক হাপ্পীবদগী হৌনা থোকখিবা ৱারী পূম্বা লীথোকঅদুনা কেগে কনা খঙদ-উদনবা অহিং নোংয়ায় চবুক্তা লাকচবনি, থাংগরাকপগী চরৈ ফিমন অমত্তা পীনবীয়ু হায়জরকই।

থাংগরাকপনা মপান্থোংদা অফবা মতৌ উৎলগা পীরোইদবগী ইঙ্গিৎ-ৱাঙাঙ তৌরকই। থাংগরাকপা মতৈ মনাউনা শেৎনা-ইন্নবা য়াবা ফিজোল নত্তনা মচিন-মৌপ্বাগুম্বা লৈত-লায়রশিংনা শেৎননবা চরৈ ফীদি লৈতে, শগোল অমসুং মীনাইনচিংবদগী মমল য়াম্বা হেনবা মচু কয়াগী মখল মথেল ফজরবা ফিজোল কয়া তাবু নীপান মখুম খুম্বা য়াদবমখৈ লৈরিবদুদগী অপাম অপাম্বা খলহনগনি হায়না তাকপীরকই। নুংদা হু ফুম্বা ৱাহৈশিংনি খঙজদবী খম্নুদি থাংগরাকপগী থৌজাল ফংবা শোয়দ্রে খন্না হরাউজৈ। অদুবু থাংগরাকপগী অশেংবদু মপান থোকপা হৌরকই। মখোয়দগী হেন্না মতিক ময়াই লৈনা পাল্লম্বা অমদি চরৈ ফী মশীং খঙদবমখৈগী মপু ওইরম্বা মখোয়গী পলেম পম্থৌনা চরৈ অমত্তসু থল্লমদ্রব্রা হায়না হংলকই। খঙজদবনিনা থনমদে হায়না খুমনুসু খুমজৈ। ৱারী-ৱাখোঙ লীদ্রিঙৈ মচেক্লা য়ৈবা হৌরকই, হেক পোকচবা মচাগী মফী ফাওবা থম্বীরমদবা মখোয়না মাগী ইমুংদা তাথীফম থোকই হায়বা ফোঙদোকই। পুরেম্বনা ফম কাবা মতমদা থাংগরাকপনা উবা লৌ অদুগী মহৈ অদু অঙম্বনি, ঙম্মী মতাগুম্না মনাই মাশন ময়াম পুরক্লগা নমদুনা লোকখি। ঙাংখরৈমনসু মপুরোইবগী থৌওং থৌচৎ অদু খামজিনখিদে হায়না অশাউবগা লোয়না করিসু খঙজদবা মচিন-মৌপ্বাদা নৌহৌনরকই। মদুগা লোয়ননা পুকচেল ফত্তবা মপা মাগী মচা ওইবনা ফী পীবা-ৱায়বা য়াদে হায়বা য়াথং লৈনা লৈনা মাবু চৈরাক ফংহন্নবা লাক্লিবনি, ফী মচেৎ অমা ফাওবা পীরোই, ফম্ফম ফাওবা ৱাই তৈথোক্কে হায়না অথীবা খোন থাদুনা তাম্থোকপীরক্লে। খম্নুনা পেঞ্জদবা মীওইবা হায়বসি খুবাক খুনমদনি হায়রম্লগা থোকখ্রে। খম্বসু শাউনা মফী কল্লম্লগা মচেমগী মতুং ইন্নখি। মপাঙ্গল চাউখ্রবা মাগী ওইথংবা লেংজুম্না মাঙ্গোল উখোক্তেন্দুদা অমুক্তা ঙারম-থেংলম্বদো য়ুহার হাবগুম্না য়ূমজাউদু থোক-থোক নোম্মী। য়ুহার হারে হায়দুনা থাংগরাকপা লাউরকই, মনাই মশনশিংসু ইপা পাখৎনা চেম্থোরক্তুনা করম্নো করম্নো হায়না লাউনরকই। ফী পীনিংদে হায়দুনা করিসু লাঞ্জদবা, করিসু খঙজদবা অঙাং অনীদা পাউরোন থাদুনা পাবন পীবন্দুনা চৈবীবা অদু চুমদবনি হায়না থাংগরাকপীনা মপুরোইবদা পেন্দবা ফোঙদোকচৈ। মচিন-মৌপ্বানা ইকায়বা নংলগা থম্মোয় খুত্তুম শুদুনা চৎখিবগী নুংঙাইতবা, মখোয় অনীবু মবুকথোক্কী মচামক্কুম্না নুংশিজবনে, মপারী মমোম শাত্তবগী মবুক্লিং নৌথোকপগা ইয়ান য়ান্নখিদুনা থাংগরাকপীদো থম্মোয় শোক্লা কপচৈ। মরু লুকথদুনা খনবমখৈ খল্লুরগা কাইনথংদা নীংঙমদবা ফাওরক্লবা থাংগরাকপনা মচিন-মৌপ্বাদু অমুক হন্না কৌনীংবগী মওং উৎলকই। লিংজেন খাবা খুমন কাঙবুনি, কৎলুরবসু লৌবীররোই হায়না থাংগরাকপীনা হায়রবদা নুংঙাইতা-নুংঙাইতনা অদুমক লেনখরে।

ফী পীরকপগী মহুত্তা খোম্থী চারগা হল্লকপদা, ইকায়-নুংশি-নুংঙাইতবনা থল্লবী খম্নুদো লম্বী সরক লমজাওদুদা হিক-হিক কপচৈ। মৌপ্বানা চিনবাম্থোংদা মচেম্বু থেমজিনজরবসু নুংদদি মৈরি মৈৱাইরকখি। হৈ লৈরে চামিন্না, লৈ অমা লৈরবসু চিনমিন্নবা, অদুক্কী মতিক নক্লনা নুংশিননা তিন্নরকখিবদু মমিৎমক্লা উহৌবা মরম্না মৌপ্বানা চৎলোইসি হায়জবদু তাবীদবমখৈ পীরক্কদবোই নীংদুনা চৎলুবনি, মপা-মমা অনীবু য়োল্লুবগুম থোকখ্রে, পুন্সিগী কাউবা ঙল্লরোই হায়না নীংঙমদনা কপ্লম্মী। লায়রবা ইনাকখুনবা হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে, থোকঅবা অমা লাকচরনি হায়না মমিত্তদি পিনা ঈরা হৌ চিনবান্দনা মোমোন নোক্লগা ৱাদবা শানা খম্বনা থেমজিল্লকপা মতৌদুনা অহোয়ননা খম্নুদা মৈচাক হাপ্লম্মী। মমানা হীপ্লম্বা কাংথোন্দা মকূৎনা য়াল্লগা লৈমায়থক্তা ফমদুনা মমাবু কৌরদুনা তেংথারকই। মমা মপা শেৎনহনবা, লায়রবগী মৈশা লাংহনবা অমদি মৌপ্বাবু ফীবম অদু য়ৌনা করিগীদমক পুখৎপীরিবনো হায়না খোয়ুম লাইদা তাইনদুনা ৱাকৎলি। থেম্বা য়াবা থেল্লবা তুংদা গতি লৈরক্ত্রদুনা মচেমগী মতৌ য়েংদুনা লৈজররোই হায়রকপদগী খম্নুদো খরা নেমথজৈ। মচেম্বু তূম্নবা হায়রম্লগা খম্বসু মাগী কাদা তূম্বা চঙখ্রে। লায়রবা অতোনবশিংগী মীচং লৈতবা, তুহৎপীবা মচৎ লৈবনা মমাঙথক্তা মচেম্না মাবু চৎথোকহন্দবনি খঞ্জবগা লোয়ননা মানা মরম ওইদুনা মচেম্বু ৱাহল্লে হায়না পাক হেক তূমশিনবা য়াখিদে। অদুবু খনবা য়াবা খল্লবা তুংদা মঙোন্দা থৌনা লাকখি। ফীজোল অথোই অহেনবা শেৎলক্তে হায়বৈদমক মাবু চিংথোক্তুনা মীয়াম মাঙদা খোঙ্গোইনজসনু, লায়রবা লৈহৈদ্রবা কেগে লৈবাক্তগী তাম্থোক্লবসু লৈঙাক ৱায়েন চুমদববু চুমথোক্লম্লগে, মশাগী লৈজবা শেৎ-চাদুনা চৎকনি হায়না মবুক্লিংদা চপ য়ুংনা লেপখ্রে। ৱাখলদো ৱাই শংজরবগী ওইরম্বসু য়াই, ফিরেপ অসি লৌরবা মতুংদদি খোল্লেন তূমখুন তানখ্রে। মৌপ্বাবু লাইনিংথৌ থাংজিংগী লাইবুংদা, লৈবাকমাঙদা ফীমন্নদবনা মরম ওইরগা খোঙ্গোইনবীরনি হায়বগী ৱাবনে, থাংগরাকপনা পাবন পীবন্দুনা চৈবদু অপোকপা অপোকপী অনীনা লাইরৈবাক্তে তারম্লনি খনবনে, পলেম পম্থৌনা থূপখিদ্রিঙৈ মতমদা ৱাত্তা পাদ নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না হিংলম্বা পুন্সি মহিং অদু মথং-মথং নীংশিংলকপনে মমিৎ কক্লা অমফাওবা উইশিল্লু য়াদনা পিরাং কংদনা অদুম্মক লৈরে। অসুম্না হৌখিবনা অহিং মমৈ ওইরকপদা ঙাইহাক তূমথরিঙৈদা মঙলোন তানা মঙ মঙলকই। পুরেম্বনা কংলাদগী কূম্লক্লগা মাবু পমদুনা ফম্বা অমদি কংলা বিচার য়াওরুবগী ৱারী পাউদম্বা, মমানা মৌপ্বাবু পম্লগা মবুক পীথকপা, খম্বনা থা অহুম ফারকপদা মমা লৈখিদবা, মতুং খরা লৈরগা অপোকপা নাদুনা মী ময়াম তিল্লবা, মচিন-মৌপ্বাবু চাওবা থোংলেন অনী অমসুং মখোয়গী তালোই অনীদা শিন্নবগা লোয়ননা মরন-মথুম পূম্নমক থোংলেন্দা শিন্নরম্লগা অপোকপনা তাইবঙপান থাদোকখিবা, পূম্নমক অদু মঙলান্দা লোইনা উরক্লে। মঙদুগী মথক্তা মঙলোন অমুক তাদুনা থাংজিং হরাওবা চৎপদা শেৎননবা ফিজোল লৈতদুনা ৱাজরবী খম্নুগী মঙদা পলেম পম্থৌ অনী লাক্তুনা ফীজোল ৱাত্তনবা তাবু লুবাক কয়া থোংলেন্দা থল্লম্মী লৌরু হায়না তাকপীরম্বদগী মঙতাক অদু ইন্দুনা ফী লৌরুরগা শেৎতুনা হরাওরিঙৈদা খম্নু মিৎকপ থোকই। পলেম পম্থৌনা মপা থোংলেন্দা ফীজোল মরোল নাইনা থনম্মী, লৌরুরসি হায়না মৌপ্বাবু হৌদোক্লম্মী। ৱা ঙাঙনদ্রিঙৈদা থাঙ শৎপনা হানবা শাথীখ্রবা থোংলেন্না কৈদৌনুংদা ফী পীরক্লোই হায়না য়ানীংদবা উৎলি। নোংমতসু উনখিদ্রবা মপানা থনম্মী হায়দুনসু লৌরনুসি তোক্লসি হায়রকপদা মচেম্না চৎননবা তকশিল্লি। খম্বনা তুমিন্না লৈথোকখ্রবদা অশাউবা উৎলম্লগা নোংঙাল্লমদাইদা খম্নুদো মথন্তা থোকখ্রে। খম্বসু অদুম্মক ইন্নখ্রে। ●

ষ্টৈটকী পাউ

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): কদাজিৎ য়ুথ ৱেলফেয়র এসোসিএটেদ ক্লব, ৱাংবলগী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা ক্লব অসিগী হেল্থ এন্দ সেনিটেসনগী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্বা উরিখিনবম জয়না খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট বিজেন্তানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, উরিখিনবম জয়না খঙহৌদনা লৈখিদবদা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ক্লব অসিদা পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অসিনা তৌরম্বা থবক থৌরম কয়াবু শীংথাখি। অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা ক্লব অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। উরিখিনবম জয় ক্লব অসিগী থৌদাং কয়া য়ারম্বা মীওইনি হায়রি।

## ‘পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং য়ুমদা হল্লক্লবগী চপ চাবা নুমীৎ খঙহল্লু’

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): মপান ষ্টেট কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং লোকল এম এল এ অমসুং তেংবাংগী ওনলাইনদা রেজিষ্টর তৌবগা য়ুমদা হল্লক্লবগী চপ চাবা নুমীৎ খঙহল্লু হায়না ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি কে ঐচ হিমালয়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা মণিপুরীশিং পন্দুনা লৈরিবশিং পুথোরকপা হৌখ্রে। চিথহৌরিবশিংগী চপ চাবা অদু লৈঙাক্লা মীয়ামদা খঙহল্লু। য়ুম য়ৌনিংবনা লাংতক্লরবা মণিপুরীশিং অসি করম-করম্বা মতমদা য়ুম য়ৌগনি হায়বসি নীংথিনা খঙহনফম থোকই। মচোই-মচোই য়ুমদা থোকপা হৌনরক্লিবা ফীভম অসিদা মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং অদুক্কী মতিক খুদোংচাবা মায়োক্লরি। লন্নাই ওইনা শেল পুথোক্তুনা য়ুমদা থোরক্কদ্রা নৎত্রগা মণিপুর লৈঙাক্লা পীবা খুদোংচাবগী মখাদা করম্না ষ্টেট অসি য়ৌগনি হায়বসি মপান্দা হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং অসিগী য়াম্না অচৌবা ৱাহং অমনি। লৈমিন্নরম্বা মীওই কয়ানা য়ুমদা থোকখিবগা লোয়ননা শেল-থুমগী অৱাৎপা অমদি রেসিএল দিস্ক্রিমিনেসনগী অকিবা কয়া লৈবনা খুদোংচাদবা ওইরি। হীরম অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট পুন্নমক্লা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মশা-মশাগী কাউন্টর পার্টশিংগা পাউ ফাওনরগা হৌজিক লেমহৌরিবা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংশিনগদবনি।

পুন্নমক অসিগী মথক্তা ষ্টেট অসিগী মাঙজৌননা থুংলখিবা মণিপুরীশিংনা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অথুবা মতমদা লৈঙাক অসিনা য়েংশিনহন্নিংই। লোকল এম এল এ অমদি ওনলাইনদা রেজিষ্টর তৌখ্রবা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং করম্বা বেসিসতা ষ্টেট ৱাংমদগী মচোই-মচোই পুশিল্লক্লিবনো হায়বগী চপ চাবা হ্বাইট পেপর অমা পাল্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীয়ামদা থমগদবনি। মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং হৌজিক অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। করম্বা মতমদা য়ুমদা হনগদগে খনবদা খুদোংচাদবা ফীভম অমদা লৈরিবনি। পল্লিবা মীওইশিং অসিগী অৱাবা লৈঙাক্লা উবগা লোয়ননা তঙাইফদনা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎপীয়ু হায়রি।





### ꯑꯋꯥꯕ / অৱাবা ফোঙদোকচরি

হৌখিবা তাং ৫/০৫/২০২০ ইং, কালেনগী ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইবুধৌ মোইরাং থাংজিংগী শঙলেন শাগৎপগী আর্কিটেক ওইবিরম্বা অমদি ইবুধৌগী শঙলেন শাগৎপগী অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা শ্রী লোইতোংবম মঙ্গি সিংহ, চীফ আর্কিটেক (রিটয়র্দ) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, য়ূম্নাম লৈকায়, ঙক্রাবম লৈরক নম্বুল মপালদা লৈবনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মিনট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা শ্রী কে ইবোহল সিংহ মোইরাং নিংথৌনা সভাপতি ওইবীদুনা থাংজিং সেবা মন্দল অমদি ইঙু ফম্নাইবা চৈরাপ লোইশঙগা লোয়ননা ইবুধৌগী লৈকোন্নুংদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা মপুগী খুয়াদা লৈখিনবা খুরুমজরি।

**Sd/- P. Brajabidhu Singh**
**General Secretary**
**Thangjing Seva Mandal, Moirang**

HL-P/6176/12


**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 216/AS&SO/TBL, dt: 04-05-2020**

Khundongbam Shamo Singh S/o (Late) Kh. Ibobi Singh of Kiyam Siphai. ...*Applicant.*

-Vs-

(Late) Khundongbam Ibobi Singh S/o (L) Chaoba Singh of Kiyam Siphai. ...*O.P.*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dt. 11/05/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২- কিয়াম সিফাইগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ৮২৩ (অরিবা), ১৪৬/৯৯৩ (অনৌবা), দাগ নং ৩১২৮, এরিয়া হেক্তর ০.৩৭০০ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাদারসিগী মমিং কক্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপাদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েংনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/6726/12


### ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯕꯗꯨꯜ/ ওজা ABDUL HAK পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা অতাঙবা ওজানি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ অবদুল হককী হীদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি, পৈশাতা তিংখি, অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ওজা অবদুল হক থেংনজরুবদগী ওজাগী হীদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা, চেকখায়রগা শৌজ মপান্দা থুপ্পা-শাবা, চিকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবনি। অৱাবা নুংঙাইতবা পূম্নমক অসি ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে। অনাবা লৈতবগুম ওইরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী Contact No.দি 8794429681, 8014623756 নি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Ch. Ajit Meitei**
Samurou Hall Makha

HL-P/6245/12


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF AGRICULTURE: MANIPUR**
**ꯀꯣꯔꯤꯖꯦꯟꯗꯨꯝ/ CORRIGENDUM**

9th May, 2020

NO AGM - 1/526/SMAM/2020-21 : This is a referenced to Department of Agriculture, Manipur Notification No. NO AGM-1/526/SMAM/2020-21 dated 6th May, 2020. It is to clarify that department website read as www.agrimanipur.nic.in should be read as www.agrimanipur.gov.in.

Inconvenience is regretted.

**Sd/- I. Akendro Singh**
NODAL OFFICER (SMAM)

HL-P/6723/12


### ꯁ꯭ꯔꯤ ꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম:



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বী **য়ুম্নাম ওংবী সুজাতা সাপম**না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০৯/৫/২০২০ ইং, কালেনগী ১৭নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা সুদেবী দাসিনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৪/৫/২০২০ ইং, কালেনগী ২২নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২২/৫/২০২০ ইং, কালেনগী ৩০নি পানবা ইরাই নুমিত্তা চিড়া-উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা লাইগী থৌরমদমক পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা নুংশিবিবা মীয়াম্না ৱারৌবীদনবা নীংশিংজরি।

**বিনিটগণ : (১) য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ (মপুরোইবা) (২) য়ুম্নাম জিলা সিংহ (মকুবোক) (৩) য়ুম্নাম ওংবী তোম্বী দেবী (মনেমবোক) (৪) ফ্রেয়া য়ুম্নাম (মচানুপী)।**

**নহারুপ ময়ায় লৈকায় # 9862104430**

HL-P/6725/12,13,14


**SAINIK SCHOOL IMPHAL**

**RATE QUOTATION**

1. Sealed Rate Quotations are invited from authorised dealers/suppliers/distributors for supply of stationery items to the school.

2. Please visit the school website sslmphal.nic.in for downloading details of the items. Last date for receipt of Quotations is 18 May 2020.

HL-P/6724/12


### ꯑꯋꯥꯕ / অৱাবা ফোঙদোকচরি



হৌখিবা তাং ৪/০৫/২০২০ ইং, কালেনগী ১২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা উরিপোক থৌগল মরুপকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইবীরম্বা ডা. নিংথৌখোংজম নন্দোনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা উরিপোক থৌগল মরুপনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী খুয়াখাদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজবগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না পাউচেগী থোঙদা ফোঙদোকচরি।

**অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : উরিপোক থৌগল মরুপকী মেম্বরশিং**

HL-P/6722/12

### ꯄꯥꯏꯂꯁ/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি


Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-P/6708/05-05to4/06